# 2023

# MANIPURI

## Full Marks – 80

## Time – 3 Hours

*Figures in the margin indicate marks.*

খণ্ডগদবা ঃ

(অ) ৱাহংচে অসি কাণ্ডলুপ 'ক', 'খ', 'গ' অমসুং 'ঘ' হায়না মরি থোক্না খায়দোকই।

(আ) নশাগী ৱাহৈ ৱাতা শীজিন্নদুনা পাউখুম পীয়ু।

(ই) ৱাহং খুদিংগী মার্ক ৱাহংগী মপা য়েংথংবদা পীরি।

### কাণ্ডলুপ – 'ক'

(গ্রামার)

(মার্ক—১৫)

১। মখাদা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী অচুম্বা পাউখুম পীয়ু : ৩×১=৩

(ক) খোঞ্জেল থোকপা মণিপুরী কোন্সনন্ট কয়া লৈ ?

(অ) ১৩ (আ) ১৪

(ই) ১৫ (ঈ) ১৬

(খ) মণিপুরী ভাৱলগী চৈতপ –

(অ) ৫ লৈ (আ) ৬ লৈ

(ই) ৭ লৈ (ঈ) ৮ লৈ

(গ) "হায়জরমই" হায়বা ৱাহৈ অসিদা সফিক্স মশীং কয়া লৈ ?

(অ) ৪লৈ (আ) ৫লৈ

(ই) ৩লৈ (ঈ) ২লৈ

২। ফোনোলজি অসিনা গ্রামারদা করি করি নৈনবগে ? ১

৩। কোন্সনন্ট অনিনা শাবা ৱাহৈ অমা ইয়ু ? ১

৪। মীওইবদা লোল অসিনা করি করি কান্নবা পী ? ১

৫। ভাৱল ফোনিম তরুক ডিফথোং তরুক পুনশিল্লগা ভাৱলগী খোম্থোক কয়া লৈ ? ১

৬। ফোনিম্ কদাইবু কৌই ? ১

৭। ই ফাল্লু অমদি ঈ থোক্লে হায়বসি করি করি তোল্লো ? ১

৮। 'কাইরে' হায়বা ৱাহৈ অসিদা ডিফথোং কয়া লৈ ? ১

৯। মণিপুরীদা রূট মখল কয়া লৈ করি করিনো ? ১

১০। মোর্ফোলোজি কদাইবু কৌবগে ? ১

১১। মখাগী ৱাহৈ পরেংশিং অসি করম্না মখলগী ৱারেং পরেংনো (সিম্পল / কম্পাউন্দ / কমপ্লেক্স) হায়না তাকউ :

৩×১=৩

(ক) ঐ অঙাংনি ।

(খ) হয়েং চাউরগা ওজা ওইগনি ।

(গ) মীওইবগী মপোক্ অৱা নুংঙাই কয়া পুন্নগা হিংজবনি তাইরঙংশিদা

কাঙলুপ – 'খ'

(ইবা)

(মার্ক–১৫)

১২। মখাগী হীরমশিং অসিদগী অমতং খল্লগা ৱারেং (এসে) অমা ৱাহৌদোক অমসুং ৱারোইশিন হাপ্পুনা ইয়ু :

(ৱাহৈ ১০০ – ১৫০ রোম) ৬

(ক) ছাত্রগী পুন্সি অমদি মোবাইল ফোন

(খ) ছাত্রগী পুন্সিদা শান্ন খোৎনবা

১৩। নহাক দায়লোদা লৈবা মনিনি হায়না খল্লু । নহাক্কী মরুপ অগ্না লৈবা সনাথোইদা হৌজিক হৌজিক ওইরিবা মিজোরামগী মরমদা চিঠি অমা ইদুনা খঙহল্লু । (ৱাহৈ ১০০–১২০ লোমগী মনুংদা ইয়ু) ৬

১৪। নহাকতোমচানি, নহাক্না থেংনরিবা খুদোংথিবা অসিগী মরমদা পন্দুনা নুংতিগী ফোঙবা চেফোং 'শঙাই'গী ইডিটরদা রিপোর্ট অমা ইয়ু । (ৱাহৈ ৬০ – ৭০ রোম) ৩

কাঙলুপ — 'গ'

(পাবা)

(মার্ক—১০)

১৫। মখাগী ৱারেং মতেক অসি পারগা মখাদা পীরিবা ৱাহংশিংগী পাউখুম পীয়ু :

লেপ্পা লৈতবা মতমগী ঈচেলনা থেংলুবদা পোৎশক খুদিংমক্কী মশক মওঙ খরমখৈ হোংলকপা হায়বসি হৌনশানি। মসিবু ঐখোয়না তাথী–তাওইনা তৌরুবগী মহুত্তারোম–তরাম ওকপনা ইথৌনি খনফম থোকই । অওনবা অমসুং অহোংবা হায়বসি পুন্সিনি । মীওইবনা পন্নিবসু পুন্সিনি–হেন্না মপুং ফারবা নীংথিরবা পুন্সি অমা ! লম্বী থোং শেমখৎলকপা, অতোপ্পা লৈবাকশিংদা চৎথোক–চৎশিন তৌরকপা অমসুং মফমশিংদুগী মীওইশিংগা তোৎন তিন্নবগী মহৈ ওইনা তোঙান–তোঙানবা লমদমশিংগী ওইবা চৎনরোল কয়া চঙলক্লুনা ঐখোয়গী হৌন লোনচৎকা খুৎশম্নদুনা হরাউ–হরাউনা চৎমিন্নখি। মসিনা লমদমসিগী মীওইশিংগী ৱাখল অমসুং মিৎয়েং পাকথোক–চাউথোকহনবতা নত্তনা ঐখোয়গী হৌন লোনচৎতা হেন্না মপুং ফাবা হায়বদুসু ওইহল্লিবনি । মপান লমগী অফনবা ঈথিন্না ঐখোয়গী মমাংঙৈদগী লৈজরক্লবা ইপানাৎ–ইপানাৎ ঙম্নমক অমম্বগী ইরোম্নুংদা তিলহনখিবদদি নত্তে । মালেমগী মীওই খুদিংনা মাগী–মাগী মনাৎপু কন্নবা হোৎনবা অমসুং ঙাক–শেনবা হায়বসি মথৌনি খন্নে। ঐখোয়সু মমাংঙৈদগী লৈরক্লবা মতমগা চুনবা চৎনবী । হৌন লোনচৎশিংবু য়ারিবমখৈ মাঙখিদনবা হোৎনফম থোকই ।

ৱারেং মতেক অসিগা মরি লৈননা মখাদা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী অচুম্বা পাউখুম খল্লু : ৪×১=৪

(ক) লেপ্পা লৈতবা মতমগী ঈচেলনা থেংলুবদা পোৎশক খুদিংমক্কী মশক মওঙ খরমখৈ —

(অ) হোংদবা য়াই

(আ) হোংলকপা হায়বসি হৌনশানি

(ই) পুনম্নক্ হৌংখিগবনি

(ঈ) অহোংবা লৈররোই

(খ) অওনবা অমসুং অহোংবা হায়বসি —

(অ) হৌন্নশানি

(আ) মতমনা পুরকপনি

(ই) পুন্সিনি

(ঈ) অয়ানবনি

(গ) অতোপ্পা লৈবাকশিংদা চৎথোক–চৎশিন তৌরকপা অদুগা মফমশিংদুগী মীওইশিংগা তোৎন তিন্নবগী মহৈ ওইনা তোঙান–তোঙানবা লমদমশিংগী ওইবা চৎনরোল কয়া চঙলক্লুনা –

(অ) ঐখোয়গী হৌন লোনচৎ হোংল্লখি

(আ) ঐখোয়গী হৌন লোনচৎ খুৎশম্নদুনা হরাউ হরাউনা চৎমিন্নখি

(ই) অচৌবা অহোংবা পিরকখি

(ঈ) তংতাবা হৌন লোনচৎ লৈহলখিদে

(ঘ) মালেমগী মীওই খুদিংনা মাগী–মাগী মানাৎপু –

(অ) মতম মতমগী আহোংবা হায়সি হৌন্নসানি ।

(আ) কন্নবা হোৎনরা অমসুং ঙাক–শেনবা হায়বসি মথৌনি খন্নে ।

(ই) মতম মতমনা পুরকপা অদু মানাৎ ওইগনি

(ঈ) মালেম পুনবগী অমথক ওইনা খনগদবনি

(ঙ) ব্রারেং মতেক অসিনা মতমগী ঈচেলনা মীওইবদা করি অহোংবা পুরকপগে ? ১

১৬। মখাগী ব্রারেং মতেক অসি পারগা পীরিবা ব্রাহংশিংগী পাউখুম পীয়ু :

মীওইবনা মশাবু নুংশিবদগী মজাৎতিবু নুংশিনা হেল্লি। অদুগা মজাতিবু নুংশিবদগী তাইবংপুম্ববু নুংশিবনা য়াম্না হেল্লি হায়বা ব্রাফম অসি লেঙদ্রবা অচুম্বনি। অচুম্বা অসি ব্রাখলগী থাক্তগী লানখৎখিদুনা থম্মোয়না চপ চানা লৌশিনবা ঙম্বা নুমিত্তা মীওইবা জতিগী অব্রাবা পুম্নমক পুমকোক কোক্কদৌরিবনি । মরমদি, তাইবংপুম্ববু নুশিবতনা মজাতি নুংশিবগী অখুবা মীৎয়েং অদু পাকথোকহনবা ঙমই । মীওইববু নুংশিবগী য়ুমফমদা মালেম অসিবু অখুক নৌনা শেমগৎপা ঙম্নবদি লৈবাক থমত্তা খুৎসু–খুৎলাই পায়দুনা অহিং য়াইরেক্লুনা লৈবগী মথো তারোই । বিজ্ঞানগী খুদোল খুদিংমক লৈবাক অমগী ঙমখৈ মনুংদা ওমচাক্রা লৈবগী মহক্তা মফম খুদিং থুংনা য়াইবা নুংঙাইগী মৈরা ওইগন্নি । অদুনা য়ুমলোন–কৈরোম্নববু ইরৈবাকমচাবু অমসুং মীওইবা খুদিংমকপু ঐগীনি হায়না খোমজিনবা ঙল্লবদি অথিংবা লৈতনা চনগনি নুংশিবগী কংবা নাইদ্রবা তুরেল, অদুতদা লৈঙানি লৈক্রক চৎলবা মালেমদা লাইরৈবাক্কী নুংঙাইবা ।

(ক) মীওইবগী মশাদা লৈরিবা মজাতি নুংশিবগী অখুবা মীৎয়েং অদু করিনা পাকথোকহনবা ঙমগদগে ? ১

(খ) করম্বা নুমিত্তা মীওইবা জাতিগী অব্রাবা অসি পুমবোক কোক্কদগে ? ২

(গ) করম্বা মতমদা মালেম অসিদা লাইরৈবাক্কী নুংঙাইবা অদু ফংবা ঙমগদগে ? ২

## কাণ্ডলুপ — 'ঘ'

(টেক্স বুক)

(মার্ক — ৪০)

১৭। মখাদা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী অচুম্বা পাউখুম খল্লু ঃ ২×১=২

(ক) মশিংখাদা নুং লৈ হায়বসি করিগী পাম্বৈনা খংবা ঙম্বগে ?

(অ) অক্সরেগী পাম্বৈনা

(আ) ঈ টেস তৌবনা

(ই) অলত্রা সাউন্দগী পাম্বৈনা

(ঈ) মীঙোন্দ ঈ পীবনা

(খ) মাদর তেরেসানা কোলকাতাদা থুংলবা মতমদা মশাগী চহি —

(অ) ১৪ শুরম্মী

(আ) ১৮ শুরম্মী

(ই) ২১ শুরম্মী

(ঈ) ২৩ শুরম্মী

১৮। অয়াম্বা মতমদা ঈ–পাউ থাবগী থবক অসি কপা কনাগী ওইনা তৌরকখিবগে ? ১

১৯। মশিংখাদা নুং রুইনা লৈরবদি করি লায়না ওইহল্লকপা য়াবগে ? ১

২০। "অহলগী অমাংবনা চফু মেল্লি" হায়বা মৈতৈগী পাউরৌনা খংহনবা নুংগী ওইবা ৱাফমদু করিনো ? ২

২১। মমাংঙৈদা মণিপুরগী মীশিংনা মপাল লৈবাকশিংদা করম্না চৎনরম্বগে ? ২

২২। তোল্লবা কণা লৈজদ্রবশিংগীদমক্তা মাদর তেরেসানা করি করি তৌরম্বগে ? ২

২৩। থায়নগী মুনি ঋষিশিংগী আশ্রমদা শা–উচেকশিংনা করম্না লৈমিন্নবগে ? ২

২৪। ইংশোক ১৯৩৯গী লৌরোক পম্বদা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী ইমা–ইবেলশিংনা মিপাইখিবগী মরম করিনো ? ২

২৫। য়াওফম মরী মখোঙ তাক্তুনা শন্দোক্না ইয়ু :

(ক) য়েংউ ঐখোয় কপত্রে, পম্বৌপোকপী নঙসু কপকনু, কপকনু লম্ফেল লৈমা নমোম কোম্বীরে মঙলান কায়গনি, নিকুঞ্জদা খোংবা বীনাগী মেজরামা নচাশিংনা ফংজরে, পম্বৌ খুনাম তুংইন্না কোম্বীরে লৈরাং হৌদোকচরগে।

*নৎত্রগা*

(খ) "নখুক্তা লৈরে।

গৌতম

করি ব্লাৎপগে নঙগী

কারগীনো নঙনা ব্লারিবা।"

২৬। (ক) "হরেংদু শোইদনা মরাক্কে ঙমিদৌনা পাইরক্কে

মপুগী মক্তনা তন্নগে।"

শৈরেং মতেক অসিনা করি হায়রিবনো হায়বদু শম্মা ইয়ু। ৩

*নৎত্রগা*

(খ) "হৌজিক কমদৌরে থৌরি য়ান্দুনা শিজরেদো।" ৩

"থৌরি য়ান্দুনা শিজরেদো" হায়রিবা ব্রারোলসিগী নুংগী ওইবা ব্রাহম্মোক অদু তাকউ।

২৭। (ক) "অব্রাংবদা কারিবা ইচিন-ইনাও

হো খুরা ! হো তাদা !

ওম্মোক্না ফজথরে নখোয়সে !

শৈরেং মতেক অসিনা পুরিবা ব্রাহম্মোক অদু ফোংদোকউ। ৩

*নৎত্রগা*

(খ) 'ননাইদা পীনরে মক্তুবা থৌজাল

চানবিহৈবা পীনহৈবা ইবুংঙো।"

কনানা কনাদা পীরিবা মক্তুবা থৌজালনো ? করিগীদমক চানবিহৈবা ইবুংঙো পীনহেবা ইবুংঙো' হায়না শিংথান্নিবনো ? ৩

২৮। চাউবনা লৈত্রবদা মহাক্কী থেবকশিংনা করম্বা অব্রাবা ফোঙদোকই ? ২

২৯। য়াওফম মরী মখোঙ তাক্কুনা শন্দোক্লা ইয়ু : 8

(ক) ‘‘অচিকপনা থম্মোয় অমদি ব্রাখলবু লাঙতক্লহল্লি / পাখং লৈশা ওইরিঙৈগী পুন্সি কোংনিকিন নৌহৌননা নীংশিংলকই ।’’

*নৎত্রগা*

(খ) ‘‘করিগী থাদোক্লদগদে ? ইশু অসুক নুংশিবা অমা ফংলবদুবু । ইশুবু মীরাইগদবা মী লৈতে ।’’

৩০। (ক) মহৌশানা খঙনা চান্নবা মরুপ নত্রবসু ঙাইহাক অদুগী মরুপপুসু মরুপ নত্তে হায়বা ঙমদে ।’’ হায়বা ব্রাফমসি করিনো ? ৩

*নৎত্রগা*

(খ) চাউবগী মুৎলগে তৌরম্লবা মৈ অদু অমুক খংচাক হেক চাকখৎলকখ্রিবদু করিগীনো ? ৩

৩১। (ক) মচা মঙানা চহী তরানিথোই বন চৎখ্রবা মতুংদা কুন্তীনা করম তৌনা হিংখি ? ৩

*নৎত্রগা*

(খ) কুন্তীনা কর্ণদা করম্লা মহাকমমানি হায়না তাকখি ? ৩

৩২। মশাগী ওইজবা কা–হেন্না থিবা মীতাগা মরুপ ওইরোইদবনি হায়বসিগী মতাংদা শন্দোক্লা ইয়ু । 8

---